থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পূক্লিং, ৱাখল অমসুং লমচৎ - ৪

মীওইবগী পূক্লিং অমসুং ৱাখলগী ৱা নীংশিংলুবদা অতোপ্পা ৱাহৈ অমা কোকসিদা 'খাম্বা ঙমদ' পাইশিল্লকই। ৱাহৈ অসি ইংরাজি লোলগী ৱাহৈনি, ইরোলসিদা করি হায়দৌনো খনফম খঙদে। ৱাহৈদুদি অতৈ নত্তে, 'স্পিরিত' হায়বা ৱাহৈসিনি। লেঙবা ওৎপা, ফম্বা-হীপ্পা-চৎপা তৌরিবা, মীওইবগী হকচাংগী ফিজিকেল পার্ট অসি নত্তবা, অৱাবা-নুংঙাইবা-নুংশিবা-নুংওনবা-অকিবা-অপাম্বা-কল্লকপা-মিহৌবা... ইমোসন কয়া পোকহল্লিবা, নন-ফিজিকেল ওইবা মথৌ তৌরিবা শরুক অদুবুনি- স্পিরিত। অদুগুম্বা মতৌ অদুবু কৌই- স্পিরিচ্যুঅল ওইবা মতৌ- থৱায় কৌবা, হকচাংসিবু অহিংবা ওইহল্লিবা, হকচাংসিদা তোংলম্বা শকউদবা চেক্লাগী শক্লোন লৌরম্বা/লৌরিবা পোৎশক অসিবু মশক খঙবা।

অসুম্না, হিংবা অমসুং শিব'গা থৱায় কৌবা পোৎশকসিগা মরী অমা লৈনহল্লহল্লিবা মীওইবগী 'পূক্লিং'ননি। পোকপা অমসুং শিবা-মী ওইনা তাইবংসিদা লাক্লম্বা অমসুং চৎখিবা, মরক্কী মতম অসিবুনি ঐখোয়না 'পুন্সি' মিংগৌনরিবা, ফিজিকেল অমসুং মেন্টেল ইনর্জি অনীনা পাঙথোকপা থবক অমা পাঙথোক্লল্লিবা। থবক অদুনি 'হিংবা'। হিংলিঙৈ মতমদা মী অমনা তৌরম্বা থবক অদুনা লেপ্পী-পুন্সি অমগী মমল অমদি থাক। পুন্সিগী মমল অমদি থাক ৱাংখৎহন্নবগীদমক তঙায়ফদবা অমনি- পূক্লিং অমসুং ৱাখলগী থাক ৱাংখৎহনবা।

পূক্লিং অমসুং ৱাখলগী থাক ৱাংখৎহনবই ৱারী শারুরবা, কাউবা য়াদবা মফম নীংশিংবীরক্লমগনি শোয়দনা... কন্যাকুমারীদা লৈবা 'বিবেকানন্দ রোক'- কংফালদগী ইরাপ লাপ্তনা, সমুদ্র-ঈয়ায়দা লৈবা নূঙ-ঙাক্তগী চীংদুম অমা। করিসু লৈতবা চীংদুম মচা অদু, কন্যাকুমারীদা লাকপা লমকোয়-মী (টুরিষ্ট)শিংগী মরুওইবা মফম অমা ওইহনখ্রিবা করিদইনো? কনাগুম্বা অমগী মল্লবা পুন্সিবু মঙাল পীখিবা মফমনি- মহাক্লা হায়রম্বদগী। মহাক অদুদি কনানো? খঙদবা কনা লৈরমগদগে? স্বামি বিবেকানন্দনা, চিকাগোগী রিলিজিয়স কনফরেন্স য়াওবা চৎলমদাই, মফমদুদা (চীংদুমদুদা) ফম্লগা ঙাইহাক পুঙ্গোয় মমীৎ উইশিন্দুনা 'পূক্লিং হীরী কোল্লু'ঙৈ মঙাল মশক ওইরবা লৌশিং অমা পূক্লিংদুদা ফাওরকখি। হায়নৈ- বিবেকানন্দ'না ঈপাক অদু ঈরোয়দুনা লাল্লগা নুমীৎ হুম্নী চূপ্পা, করিমত্তা চাদা থক্তনা ধ্যান তৌদুনা লৈখি। অদুঙৈ, গৌতম বুদ্ধ'না খোংনাং-বোত-পাম্বী অমগী মখোঙদা ফম্লগা 'অরান খুভম' ফংখি হায়নখিবা থৌদৌ অদুমক্লি। ঙসিগী সদগুরু-জগ্গি-বাসুদেব'না মহিসুরগী চমুন্দি-হিল মথক্তা পূংজা খরা মশানা মশাবু কাউথোক্তুনা ফম্লুরগা লৌশিং তারকপদা পূমতোপ তোপ্পা মী অমা ওইরম্মী হায়নবা ৱারী অমসু লৈরিবসিনি।

অদুবু, ১৯৭০দা লিংখৎখিবা কন্যাকুমারীগী 'বিবেকানন্দ মেমোরিঅল রোক' অসিগী সিগ্নিফিকেন্স'না অমনি। মেমোরিঅল কমপ্লেক্স অদুদা লৈরিবা 'মেদিটেসন রুম' অদুদা চঙবীরুরবা করিগুম্বা, মীকূপ খরদং (মিনিত মঙা তরাদং) লেঙদনা ফম্লগা মীৎ উইশিন্দুনা লৈবীরম্মু। উইশিল্লিবা মীৎ'তুদা মঙাল অমা লাকপগুম, নিংশা শোর হোনবগী মখোল ফাওবা তাদ্রবা মফমদুদা তাগনি- হৌরবা, অচীকপগী খোঞ্জেল অমা। থোরকপদা ফংগনি- অঙকপা পুন্সিগী এক্সপরিয়েন্স অমা।

বেদান্তনা হায়- পূক্লিং অমসুং ৱাখলবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি- মেদিটেসন। ইশানা ইশাবু মশক খঙজনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি- মেদিটেসন। ঙসিগী মোদর্ন-টাইমস অসিদা হকচাং ফনা, নুংঙাইনা লৈনবগীদমক্তা তৌদবা য়াদ্রবা থবক/প্রক্টিস অমগুম লৌনরক্লিবা 'যোগ'... প্রক্টিস অসিগীদমকসু তঙায়ফদ্রবা অমনি 'মেদিটেসন'।

পূক্লিং হীরী কোনবা (মেদিটেসন) হায়বা থবক অসি-ইশাদা লোত্তুনা লৈরিবা নুংশিবা, ঈংবা-তপ্পা (শান্তি) অমসুং ঈশ্বরবু মশক খঙনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ'সুনি। নুংশিবা মশক খঙবা, মিনুংশি চাউবা, মপূক ঈংবা-তপ্পা, শাউগন্দবা, মীঙোন্দা অকায়বা তৌদবা, পূকচেল শেংবা, লাইবু কিনা চৎপা... অসিনচিংবা গুনশিং অসি মী অমগী থোইদোকপা, অফবা গুন খরনি। অফবা গুনশিং অসি অমদা পুল্লপ চেন্দ্রবসু খরদং চেনবদা 'অফবা মী' কৌনরিবনি। অফবা মী হায়বসি লমচৎ ফজবা মীদুবুনি। ঈথক থোংবশিংনা থায়নদগী মখা থাবা মচা মনাওশিংদা পাউতাক ওইনা পীনরকই... 'লৈজবা নরল (শেল-থুম) মাঙখিবা, করিমত্তা মাঙদ্রিবনি; হকচাং ফৎচীল্লক্তবা (লায়না-তীন্না চেল্লকপা) করিগুম্বা খরা মাঙখ্রবনি; অদুবু, নঙগী লমচৎ (ক্যারেক্তর) অদু মাঙখ্রবা, নহাক পুম্মাঙ মাঙলবনি, করিমত্তা লৈহৌদ্রবা'...। থায়নগী পাউতাক অসি ঙসিসু অদুম চুম্লম্লি। সনা-লুপা, মনি-মুক্তা, শেল-থুম, জীপ-কার মরাং কায়না ফুরা-দলান-কোনুংগুম্বা যূমদা লৈরিবা, ইনাক খুনবা মীদুগী মরমচৎ, পৈশিল্লিবা 'মরল-মথুম'দুনা লেপ্তে। সনাগী অরংবা মঙালনা মহাক্কী 'মরমচৎ'তা অরংবা মঙাল ফুদোংহল্লক্তে। অফবা মরমচৎ (ষ্ট্রোং ক্যারেক্তর)না ফুদোংলবা মীদুদি পূকচেল শেংই, অচুম্বা ঙাংই। মহাক্লা কিদে কনামত্তবু। ঈশ্বরবুসু কিরুদে। মহাক্কী থম্মোয়দা থমদে অরোন-অথুপ। মহাক্তি, হাংদোক্তুনা থল্লিবা লাইরিক অমগুম্বনি, অউবা খূদিংনা পাননবা। মাঙদা তারিবা খুদোংথিবা অদুগীদমক, লাংতক্লদে কৈদৌনুং, থৌনা লৈনা মায়োক্লে। ফিজেৎ-ফিগায় শেৎলসু, মায়থোঙ মঙাল নাইগনি। ফুরিৎখাওদু হাঙল'সু, ৱাখল ইনাক খুল্লম্লি। শিগদৌরবা অনাবা অমনা নারকপা থোক্ল'সু করিগুম্বা, খন্দোক'ঙম্মী মহাক্তি 'মপু মানা চানবীরে, মনাক্তা লৌশিনবীদৌরে, নুংঙাইবা মীকূপ থুংলরে'।

মায় পাকপা, নুংঙাইবা পুন্সি অমইদমক, সনা-লুপাখক্তনা পূমথোই থোইবা 'লন' নত্তে। অমকপা লৈতবা লমচৎ'তুনি খ্বাইদই মরুওইবদি। কোথোকপই লোইবা নাইদবা 'লন'গী পূক্কে ওইরিবা 'লমচৎ'তুগী হৌরকফম- ঈফুৎ'তুদি পূক্লিংনি।

লৌশিং পুক্কে

# এক্সপরিমেন্টল চুৱিং গমনা

## তিনদা য়াওবা সার্স-কোভি-২ ন্যুট্রেলাইজ তৌবা ঙম্লে



মীওইবগী তিনদা য়াওবা সার্স-কোভি-২বু ন্যুট্রেলাইজ তৌবা ঙম্বা লেটিসতগী চুৱিং গম অমা রিসার্চরশিংনা দিভেলপ তৌখ্রে। হায়রিবা চুৱিং গম অসিদা এক্সপোজ তৌরবা মতুংদা তিনদা য়াওবা ভাইরেল আর এন এগী লেভেল অদু দিটেক্ট তৌবা ঙমদবা চাং ফাওবা য়ৌনা হন্থখিবা মখোয়না থেংনখি। চাংয়েং তৌরিবা গম অসিনা ভাইরস অসি শন্দোকপগী চাং হন্থহনবদা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই হায়না মখোয়না থাজরি। হায়রিবা চুৱিং গম অসি ক্লিনিকেল ট্রায়লশিংদা শীজিন্ননবা রিসার্চরশিংনা হোৎনরি হায়রি।

সার্স-কোভি-২ ভাইরস অসি পকপা মীওই অমনা ৱা ঙাঙবা, নীংশা হোনবনচিংবদা য়াওরকপা ঈরিকশিং অমসুং এরোসোলশিংগী খুথাঙদা শন্দোকই। মসিবু এরোসোল ট্রান্সমিসন কৌই।

মরম অদুনা, সার্স-কোভি-২ ট্রান্সমিসন হন্থহন্নবা হোৎনবদা, মাস্ক উপ্পা, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং, অমসুং এয়র ফিল্টরশিং শীজিন্নবনচিংবা তৌনৈ।

সিম্পটোমেটিক অমসুং এসিম্পটোমেটিক ওইবা মীওইশিংগী তিনদা সার্স-কোভি-২গী ভাইরেল লোদ য়াম্না ৱাংনা য়াওই। হায়রিবা তিনদা য়াওবা ভাইররেল লোদ অসিগা কোভিদ-১৯গী লাইওং কনবা কন্দবগা মরী লৈনৈ - ভাইরেল লোদ ৱাংনা য়াওরগনা হেন্না অকনবা লাইওংশিং উৎপগা মরী লৈনৈ।

ভাইরস অসিনা মশাগী মশিং য়ামখৎহনবগী থবক অসি মরুওইনা সেলিভরি গ্লান্দশিংগী মনুং অমসুং ওরেল ম্যুকস মেম্ব্রেনশিংদা তৌই, মসিনা মখোয়শিং অসি সার্স-কোভি-২ শন্দোক্নবগী রিস্ক য়াম্না ৱাংবা পোৎলমশিং ওইহল্লি।

মসি মরুওইনা নৌনা থোক্লকপা ভেরিয়ন্টশিংগীদমক অচুম্বা ৱাফম্নি – দেল্টা ভেরিয়ন্ট পকপা মীওইশিংগী ভাইরেল লোদ অসি হান্নগী ষ্ট্রেনশিংদগী শরুক ১,২৬০ ৱাংবা হেল্লি।

অদুনা, চীনদা ভাইরেল ইনএক্টিভেসন তৌবা হায়বসিনা ভাইরস অসি শন্দোকপগী চাং হন্থহন্নবা য়াম্না কান্নরবা ষ্ট্রেটিজি অমা ওইবা য়াই।

অনৌবা ষ্টদি অমদা পেন্সলভেনিয়াগী ফিলাদেলফিয়াদা লৈবা পেন দেন্টল মেদিসিননা লুচিংবা রিছার্সরশিংনা তিনদা য়াওবা সার্স-কোভি-২গী ভাইরেল লোদ হন্থহনবা য়াবা মনা-মশিংদগী লৌবা মেটরিয়লশিংদগী চুৱিং গম অমা শেমখ্রে।

ষ্টদি অদুগী লুচিংবা ওথর ওইরিবা পেন দেন্টল মেদিসিনগী হেনরি দেনিএলনা ফোঙদোকখিবদা, সার্স-কোভি-২ অসি সেলিভরি গ্লান্দশিংদা মচা পুথোকই, মরম অদুনা ওরেল কেভিটিদা য়াওবা ভাইরসশিংবু লৌথোকখিবনা ভাইরস অসি শন্দোকপা থিংবগী মথক্তা সার্স-কোভি-২ ইনফেক্সন অমা লৈবা মীওইশিংদা রিইনফেক্সন তৌবগী চাংসু হন্থহনগনি।

অদুনা, এসীঈ২ (এঞ্জিওটেন্সন-কনভর্টিং এঞ্জাইম) চুৱিং গমনা কোভিদ-১৯ পকপা মীওইশিংদা ইম্যুনিটি শেমগৎচনবা মতম ফংহনগনি অমদি ভাইরেল লোদগী মখা পোল্লিবা লায়না অসিনা কন্না নাহনবগী চাং অদু হন্থহনবদা মতেং পাংগনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, চুৱিং গম অসিদা বাইওইনকেপসুলেট তৌরিবা (মনুংদা হাপ্লিবা) প্রোটিনশিং অসি ষ্টেবল ওই অমদি রুম টেম্পরেচরদা থম্বদা চহী কয়ামরুম মপুঙ ফানা ফঙ্কসনেল ওইদুনা লৈ, মসিনা মরম ওইরগা অরুবা মেন্যুফেকচরিং প্রোসেসশিং, মমল তাঙবা কোল্ড ষ্টোরেজ, পুথোক পুশিন, অমদি হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ভেক্সিনশিংদা ওইরিবা শেল চঙবা থৌওং কয়া অসি অমত্তা লৈহন্দবনা চুৱিং গম অসিবু ইরায় লায়না লৈবা ঙম্বা ওইহল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ষ্টদি অদুগা মরী লৈনদবা সানা বাইওটেক্নোলোজিগী সিনিয়র দিরেক্টর অমসুং হেদ ওফ ভাইরেল ভেক্টর রিছার্স ডা. সেমিহ টারিননা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা এপ্রোচ অসিনা অতোপ্পা সেলিভরি-রেপ্লিকেটিং ভাইরসশিং, খুদম ওইনা ইপষ্টিন-বাদ ভাইরস, হর্পিস সিমপ্লেক্স, সাইটোমেগালোভাইরস, হেপাটাইটিস সী, অমসুং জিকানচিংবশিংদসু মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই হায়না ওথরশিংনা পানরি। অসিগুম্বা বাইওমেটরিয়লশিং অসিনা তাইবংগী অশেংবা সিনরিওশিংদা শীজিন্নবা য়াবা অমা তশেংনা ওইরক্কদ্রা হায়বা খঙনবা ফোলো তৌবদা য়াম্না নুংঙাইবা হীরম অমা ওইগনি হায়খি।

হন্দক্কী অনৌবা ষ্টদি অসি মোলিক্যুলর থেরাপি জর্নেলদা পব্লিস তৌরকখিবনি।

ডা. টারিনগী মতুংইন্না ষ্টদি অদুদা লিমিটেসন খরা লৈ। ষ্টদি অসি শুপ্নতগী সেপেন্ট অহুমখক্কী সেম্পলশিংদা চথখিবা অসিসু লিমিটেসনশিংগী মনুংদা অমনি। মসিগী মথক্তা ষ্টদি অসিগী অতোপ্পা লিমিটেসনশিংগী মতাংদসু ডা. টারিননা ফোঙদোকখি।

অদুমওইনমক হন্দক পুথোক্লিবা তিনদা য়াওবা সার্স-কোভি-২ ভাইরস ন্যুট্রেলাইজ তৌবা ঙম্বা চুৱিং গম অসিনা ক্লিনিকেল ট্রায়ল তৌদুনা তশেংনা মথৌ তৌবা ঙম্লবদি লায়না লাইচৎ অসি থেংনবদা য়াম্না চাউবা মতেং অমদি পাংবা ঙম্লগনি হায়না পানরি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# সেংমাই তুরেলদা হূ হৈথদুনা ঙা ফাবা, শা-ষন অশিবা লংথরকপগী থৌদোকশিং থেংনরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

ককচিং ফাওদুনা চেল্লিবা, ককচিং, ৱাবগাই অমদি কৈরক্কী মীয়াম্না থক্ল-চানবগীদমক ৱাটর সপ্লায়গী ঈশিং লৌনফম ওইবতা নত্তনা হীরম কয়াদা শীজিন্নরিবা সেংমাই তুরেলদা হূ হৈথদুনা ঙা ফাবা অমদি যুমদা য়োকপা শা-ষন অশিবা লংথরকপগী থৌদোকশিং লেপ্তনা মীয়াম্না থেংনরি।



সেংমাই তুরেল অসিদা ঈশিং লৌফম ওইরিবা ৱাটর সপ্লায় প্রোজেক্টশিং মরুওইনা সেকমাই বরাজকী মমাঙথংবা শরুক্তা লৈরিবা ককচিং অমদি কৈরক্কী ৱাটর সপ্লায়গী ঈশিং অসি থক্লনবগীদমক খুদোংথিনিংঙাই থাক অমদা লৈরব্রা হায়বা অসিসু ৱাহং কয়া হংনরক্লি। লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শিবা য়ুমদায়োকপা শা-ষন, য়েন-ঙানু, ওকনচিংবা অসি লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শিবা মতমদা মফম চাবদা ফুমজিন্দুনা নৎত্রগা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলনা য়ুম-য়ুমদগী ফত্ত-হাওদি খোমদোকপা লাক্লিবা অদুদা শীন্নদুনা মফম চাবদা ফুমজিনহন্দুনা মীয়ামদা মীপায়নিংঙাই ওইবা লায়না লাইচৎশিং শন্দোরক্তনবা হোৎনবা য়াবদা হোৎনবীবগী মহুৎতা মীয়ামগী মরুওইখ্রবা তুরেল অসিদা হেক্তমক হুন্থরকপা হায়বা অসি মীয়ামগী ওইনা য়াম্না লাইবক থীবনি।

মীয়াম্না হৌজিক উবীরিবসি দোমেষ্টিক এনিমেলশিংদা মরুওইনা ওকতা পাক্তুন্না নারিবা কনাগুম্বা ফার্মরগীদি ওক্লোন ফাওবা তুম্বা য়াওনখ্রবা ফ্লু মখল অমনা শিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা ওক অশিবনি হৌজিক তাওরিবা মফমসিনা ককচিং অপুন্বগী চান্নবা ঈশিং চিংখৎফম ওইরিবা ককচিং তুরেল ৱাংমা ৱাটর সপ্লায় স্কিমগী ৱাটর পম্পগী হেক মনাক্তনি। অসিগুম্বা থৌওংশিংসি তৌবীদননবা জে এন জি ভি ও, ককচিং, অক্সু অমদি চৎমিন্নবা ককচিংগী মরুওইবা ওর্গনাইজেসনশিং লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, ককচিং এম সী অমদি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস য়াওনা মখল মখা কয়াগী পব্লিক এৱ্যের্নেস কয়া মতম কয়াগী মমাঙদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লবসু ঙসি উরিবা থৌওং অসিনা তাকপদি থোইদোক্লা কান্নফম খঙদ্রি হায়বনি। অদুনা মখা তাবদদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎহৌদ্রবদি ইরমদম অসিদসু হকশেলগা মরী লৈনবা তুংদা শিংনবা অমা থেংনরক্লোই হায়বা ঙম্বা নত্তে।

# প্লে য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

ঠিএটর ইভেন্ট, ২০২১দা ঙসি উৎকদবা বনিয়ান রিপর্টরি ঠিএটরগী *জালিৱালা বাগ* টেক্নিকলগী প্রোব্লেম অমা লৈবদগী দিসেম্বর ১৫গী নুংথিল পুং ৪দা উৎলগনি। হয়েং উৎকদবা কংলৈ লিভিং আর্টস, উচিৱাগী প্লে *ডা. ফোষ্টস* ইভেন্ট অসিগী অরোইবা নুমীৎ দিসেম্বর ১৭কী অনীশুবা প্লে ওইনা উৎলগনি। খুদোংচাদবা অসিগীদমক মীয়াম্না ঙাকপীনবা কোরস রিপর্টরি ঠিএটরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# গীতা জয়েন্তিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

তপস্যা-এ সেন্টর ফোর পর্ফোর্মিং আর্টস, শীংজমৈ ৱাংমা পেবিয়া পন্দিত লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ঙসি আর্টিষ্ট কয়ামরুমনা শরুক য়াদুনা গীতা জয়েন্তিগী থৌরম নাম সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি গীতা পোকখিবা নুমীৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। তখেলচংবম অমুস্না শর্ম্ম সাস্ত্রিনা গীতা পাথ তৌবীখি হায়না তপস্যাগী সেক্রেটরি বিসান্ত ক্ষেত্রিময়ুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# লৈশেম্বা মহৈকোলগী মহৈরোয়শিং মাইক্রোলাইট এয়রক্রাফ্ট পাইবা তমখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা লৈরিবা নম্বর ১ মণিপুর এয়র স্কৱাদ্রোন (ফ্লাইয়িং)না চৎথরকপা এন সী সী ট্রেনিংগী শরুক অমা ওইনা কংলা-চিংঙারেলদা লৈবা লৈশেম্বা মহৈকোলগী মহৈরোয় ৫না বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা মাইক্রোলাইট এয়রক্রাফ্ট দব্লিয়ু-৩৯৫৫ কম্মান্দিং ওফিসর এম হেরোজিৎনা তাকপী-তম্বিবগা লোয়ননা পুন্না মিনট ২৫দগী ৩০ ফাওবা পাইমিন্নখ্রে হায়না লৈশেম্বা মহৈকোলগী প্রিন্সিপাল লাইশ্রম য়াইস্কুলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ট্রেনিং অদুদা এ এন ও লৈশেম্বা মহৈকোল এন সী সী য়ুনিটকী ঐচ ইবুংঙোবিসু কম্মান্দিং ওফিসরগা পুন্না মাইক্রোলাইট এয়রক্রাফ্ট দব্লিয়ু-৩৯৫৫ পাইমিন্নখি। প্লেন পাইবা তম্বগী ট্রেনিং অসিনা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয় কেদেটশিংদা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সতা পায়লোট ওফিসর ওইনা চঙননবগী ইথিল অমা পীবা হায়বদু ওইরগনি হায়রি। মাইক্রোলাইট এয়রক্রাফ্ট দব্লিয়ু-৩৯৫৫ পাইবগী ট্রেনিং ফংখ্রবা মহৈরোয়শিং অদুদি গুরুময়ুম প্রিয়াংকা, মোইরাংথেম লাইজলেম্বী, ইরুংবম থৌনালৈমা, হাউবিজম চন্দ্রশেখর অমদি লাইশ্রম তোমরাজনচিংবনি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।১২।২০২১ ইং, য়ুমশাকৈশা;
পোইনুগী ১২ নি পানবা।

মেষ: অনম তানবনা মাঙজবা অমদি মীকোক থোংবা ৱাবা লৈরসু নিংবা থুংগনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি অমদি ইমুং-মনুং নৎত্রগা মীগী মতেংনা থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: অশাওবনা পোথাফম খঙদবা অমদি ইমুংদসু ঈংবা ৱাৎপা লৈতনবা, ফিংগনু। অদুবু লনদি চাওখৎকনি, মীনা থাগৎপিগনি অমদি নচা-ননাইগী লমদা নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী- তপথৌ-শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন: লেঙদবা লন ফংগনি, নঙগী ওইবা মীগী মতেং লৌবা অমদি অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা নুমিৎনি। লাংতক্লবা অমদি অখঙ অহৈ শাবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কর্কট: হকচাং নুংঙাইরমদ্রবসু নুংঙাইরনি, শেন্দোং তানবদা চাওনা কান্নগনি অমদি মরুপ মপাংগী মতেং চাওনা ফংগনি। য়েক্লবনা অঙম্বদা লান্না তমশিনবা লৈগনি
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

সিংহ: য়াম্না ঈংনা থৌ পাঙগদবা নুমিৎনি। মতাং চাদনা শাওবা অমদি মরম চাদনা অনম তানবনা মাঙজগনি। খুৎ চাওবসু মতাং চারোই। ইমুং মনুংগী ৱা লৌবদি ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা: য়েৎনবনা মাঙজবা অমদি চরাংনবনা মীচঙ ৱাৎপা লৈগনি। অদুবু অরং অরাক লৌশিনবা য়াবা, হকচাং খিঙবা অমদি মথক থোংবনা চানবীবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: য়াম্না লাইবক ফগনি, মীচঙসু হেনগৎকনি অমদি থবক্কী লমদা নিংবা মপা চাগনি। লৌশিংনা পাঙ্গলসু ওইগনি, শেল-থুমদা নত্তনা নচা-ননাইসু চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: মীচঙ য়ামগনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, লাই-গুরুগী মতেং ফংগনি অমদি পল্লম্বা শেল-থুম ফাওবা ফংবা য়াবা লৈরে। নাইতোম ৱারেপতি লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু: নুংঙাইফম খঙলোই-মতম মাঙবা অমদি পোরম শিনবা লাঙবা হৈবা ৱাৎপা লৈগনি। য়ারগদি মতম হৌহনখো-হান্নদৈ পাঙলকপা থবক নত্তনা পাঙখিনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংগনু-চোপকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

মকর: য়েৎনবা অমদি নরলগী চয়েৎনবা খরা লৈরসু লান্দবনা নরল চাওখৎকনি, নথক থোংবনা থাগৎপিগনি অমদি থবক থৌরম শিন-লাংবা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনগনু-ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: মীচং খোম্বা, শেন্দোং তানবা অমদি অনৌবা থৌরম পাঙবা মায় পাক্কনি। লৌশিং থোকপদি ৱাৎলি অমদি নথক থোংবনা চানবীবা ৱাৎপা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা খিত্তং থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন: অনম তানগনু-নোল্লুক্কা চৎলু অমদি খুৎচাও থাগনু। মীয়ামগী মতেংদি ফংগনি অমদি মীগা পুনবা থবক্তগী ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংজগনি, হরাওগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরিদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG



মখাদা সহি তৌজরিবা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Polling Station No. 32/37 Waithou Khongnang Kachin গী ঐখোয় নুপীশিংনা (Prof.) Dr. Nimaichand Luwang গী লমজিং মখাদা Prime Minister Narendra Modi বু Support তৌনবা মেম্বর 22 না শাবা Women Volunteer Group অমা শেমজরে।

Group অসিনা BJP না Lead তৌবা Central Govt. বু লুচিংলিবা Prime Minister Shri Narendra Modi বু Support তৌবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা 12-Manipur Assembly গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Candidate অমা ওইনবা থৌরাংজরিবা (Prof.) Dr. Nimaichand Luwang বুসু Support তৌজরি। Centre অমসুং State Govt. না পায়খৎলকপা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং পূম্নমক্তা য়াওশিন্দুনা মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নবা হায়বগী অচেৎপা ফিরেপসু লৌজরে।

শৌগৎচরিবশিং :-
1. Ch. Lata Leima, 2. K. Rameshori
3. Ch. Niru Chanu

HL-P/0903/15

WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG



মখাদা সহি তৌজরিবা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Polling Station No. 32/13 Phoudal Kabarstan Barik Group গী ঐখোয় নুপীশিংনা (Prof.) Dr. Nimaichand Luwang গী লমজিং মখাদা Prime Minister Narendra Modi বু Support তৌনবা মেম্বর 42 না শাবা Women Volunteer Group অমা শেমজরে।

Group অসিনা BJP না Lead তৌবা Central Govt. বু লুচিংলিবা Prime Minister Shri Narendra Modi বু Support তৌবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা 12-Manipur Assembly গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Candidate অমা ওইনবা থৌরাংজরিবা (Prof.) Dr. Nimaichand Luwang বুসু Support তৌজরি। Centre অমসুং State Govt. না পায়খৎলকপা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং পূম্নমক্তা য়াওশিন্দুনা মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নবা হায়বগী অচেৎপা ফিরেপসু লৌজরে।

শৌগৎচরিবশিং :-
1. Sm. Rabina (President), 2. Sm. Kubra (Secy)

HL-P/0903/15